ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

চহী খুদিংগী পাঙথোরকপগুম সী পি আই মোইরাং লোকল কাউন্সিলগী ত্রোংলাওবী ব্রাঞ্চনা কমরেদ হুইরেম সরতকী শঙলেনদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তুনা ১২৫শুবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা

মোইজিং অৱাং লৈকায়গী লম্বী অথুবদা কোয়লাস থারগনি : এল বসন্ত ☛ লামায় ২

মাইক্রো লিগেল কেম্প পাঙথোকখ্রে ☛ লামায় ৩

‘এস দি ও, এস দি সী অমসুং বি দি ও ওফিসশিং শওন্নুংদা পুথবীরকউ’ ☛ লামায় ৫

মীলাল অমসুং দেসামনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে ☛ লামায় ৬

রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ৫০রক শুরকপা মপোক কুমওন গোল্ডন জুবিলিগী থৌরমদা দিরেক্টর এ শান্তনা মহৈরোয়শিংদা গোল্ড মেদল অমসুং সর্টিফিকেট পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা

Vol. 45, Issue No. 170 | য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, September 15, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মীখলগী লাম্হোং য়াংথোক্লবা বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ভুপেন্দ্র য়াদব লাক্কদৌরি

সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা লাক্কুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিংগা মীখলগী মশক নাইবা থবকশিং পায়খৎকদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী মার্চ ১৯ ফাওবগী মমাঙদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী পোরম পোমীৎশিং য়াওনা লাম্হোং য়াংথোক্লনবা হন্দক্তা নৌনা বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ওইনা খনখ্রবা ভুপেন্দ্র য়াদব সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবগী মমাঙদা ইম্ফালদা লাক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮দা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ওইনা য়ুনিয়ন ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র য়াদবপু খনখিবনি। অদুগা বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন কো-ইন-চার্জ ওইনা প্রতিমা ভৌমিক অমসুং অশোক সিংঘলবুসু খনখি। ভুপেন্দ্র য়াদবপু বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ওইনা হাপখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা সেপ্টেম্বর ২০গী মমাঙদা ইম্ফালদা লাক্লনবা থৌরাং তৌখ্রে।

মহাক্কী ইম্ফাল খোঙচৎ অসি নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ ওইগনি। খোঙচৎ অসিদা বি জে পিনা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল অসিদা মতৌ করম্না থেংনগদগে অমদি মীখল অসিদা পার্টি অসিনা চাওনা মায় পাক্লনবগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস বিয়ররশিং অমদি ৰর্করশিংগা কূপ্না খন্ন-নৈনদুনা পোরম পোমীৎশিং য়াংথোক্লমগনি। মসিগীসু মথক্তা হান্নদগী বি জে পিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ষ্টেট অসিদা পার্টি অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মীখলগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিংসু মতৌ করম্না খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনগদগে হায়বদু য়েংশিল্লমগনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী পোলিটিক্সতা ক্যারক হন্না ওবজর্ভর ওইনা থবক তৌখ্রবা ভুপেন্দ্র য়াদবনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিবু চাউনা মায় পাকহন্নবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরগদৌরিবনি। মরম অসিনা মহাক্কী খোঙচৎ অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা খোঙচৎ অমা ওইগনি হায়নসু বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা পানরি।

ইলেক্সন ইন-চার্জ ভুপেন্দ্র য়াদবকী খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা মণিপুরগী ইন-চার্জ ডা. সম্বিত পাত্র অমসুং বি জে পিগী নোর্থইষ্ট জোনেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) অজয় জমৱালসু ইম্ফালদা লাক্কদৌরি। বি জে পিগী লুচিংবশিংনা হন্দক লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসি য়াম্না মরু ওইবা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা খোঙচৎশিংগী মনুংদা অমনি। খোঙচৎ অসিনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা মাঙদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা থম্বা ঙমখিবা এচিভমেন্টশিং অদুদগী হেনগৎহন্নবা থবক থৌরমশিং খোঙজেল য়াঙখৎহনগদৌরিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

হায় কোর্টতা পৃথিবীরাজ ভর্সেস সরতচন্দ্রগী ইলেক্সন কেস

ফাইনেল অর্গ্যুমেন্টগী মতম লেপখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৭কী মার্চগী অহৌবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ২৭- মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্লকখিবা বি জে পিগী পি সরতচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা মীখল অদুদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা এম পৃথিবীরাজনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী ফাইনেল (অরোইবা) অর্গ্যুমেন্ট পাঙথোক্লবা মতম হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লেপখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি এম পৃথিবীরাজনা পাঙথোকখ্রিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অদুগী রিজল্ট লাউথোকপগা ইকান কান্নদনা মীখল পাঙথোকখিবা চহী (কুমজা ২০১৭) অদুমক্তদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্না ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর ৬ ওফ ২০১৭নি। অদুবু হৌজিক ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মপুন্সি লোইগদবা থা খরা খক্তমক ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ৰায়েলসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা তোয়না পাঙথোরকপদগী মসিগী অরোইবা অর্গ্যুমেন্ট লাক্লিবা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্লনবা লেপখ্রে।

মেট্রর অসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা চৎলিবা থা অসিগী ৮দা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেট্রর অসিগী ৰায়েল ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোক্লবগীদমক লৌখৎলকপদা পিটিস্নর এম পৃথিবীরাজগী মায়কৈদা কাউন্সেল সাপম বিশ্বজিৎনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট অনীগী মনুংদা নম্বর ৰান ওইরিবা এম এল এ পি সরতচন্দ্রগী মায়কৈদনা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রোনা লেপখি।

কোর্টনা মেট্রর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর অমসুং

রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অনীমক্না সবমিট তৌরকপা ৰাফমশিং তাখি।

পিটিস্নরগী কাউন্সেল এস বিশ্বজিৎনা কোর্টতা ফোঙদোরকখিবদা পিটিস্নরগী মায়কৈদগীদি কেস অসিগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুসন ৰিটনেস (পি দব্লিয়ু) অমা ওইরিবা লোইতোংবম উমাকান্তবু এগজামিনেসন তৌবগী থবক থা অসিগী ৭তা মপূং ফানা লোইশিনখ্রে হায়খি।

লোয়ননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা এম পৃথিবীরাজগী মায়কৈদগীদি কেস অসিগা মরী লৈননা মখা তানা প্রোজিক্যুসন ৰিটনেসশিং এগজামিনেসন তৌনবগীদমক পুথোরক্লরোই হায়বা ৰাফমসু কোর্টতা থমখি। কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসন তারবা মতুংদা ইলেক্সন কেস অসিগা মরী লৈননা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী পুথোরক্কুনা এগজামিন তৌগদবা প্রোজিক্যুসন ৰিটনেসশিংগী মচিন হংবগী থবক (এগজামিনেসন ওফ পি দব্লিয়ু) অদু ক্লোজ তৌদুনা লোইশিল্লে হায়খি।

অমরোমদা, ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৰান ওইরিবা এম এল এ পি সরতচন্দ্রগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এক্সপেন্দিচর টার্গেট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা চৎলিবা শেনবা চহী ২০২১-২২গী অহানবা ক্বার্টরগীদমক থমখিবা কেপিটেল এক্সিপেন্দিচর (কেপেক্স) কী পান্দম অদু মণিপুরনা য়ৌবা ঙম্লে হায়রি।

ৰাফম অসি ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী মতুংইন্না মণিপুর য়াওনা অন্ধ্র ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

জিরিবাম মৈ মন্নে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপা অদুৰাইদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী কদমতলাদা লৈবা ১৩৩/৩৩ কে ভি পৱার সব ষ্টেসনগী কেবল টর্মিনেল পোকখায়খিবদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট মৈ মন্নে হায়রি।

কোংগ্রেসকী কোন্দোলেন্স

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): হান্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং এ আই সী সীগী সেন্ত্রেল ইলেক্সন ওথোরিটিগী চেয়রমেনসু ওইরম্বা রাজ্য সভাগী এম পি ডা. ওস্কার ফর্ণান্দেজনা লৈখিদবদা এম পি সী সীনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পার্টিগী ফিরাল তঙ্খাই চিংথদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ তারকপদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদা পার্টি প্রসিদেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

য়ু থক্লব্নী ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা পি এস অসিগী ৰিমেন পুলিস পর্সনেলশিং য়াওবা টিম অমনা উখোংশাং মমাঙ লৈকায় এরিয়াদা পেট্রোলিং দ্যুটি পাঙথোক্লিঙৈদা য়ু থকচিল্লগা লাউ খোংদুনা মীয়ামদা অকায়বা পীরম্বা নুপী অমা ফাগৎলবা মতুংদা নন এফ আই ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৬৩°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.০৬°C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ০.৪২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৮

HL Poll

Q: Senapati districtta Go to hills - 2.0 pangthokpagi mayokta leplaklibasingdi leingakna yasinnaba purakpa ngamdre haibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Political party amasung meerep oigadabasinggi marakta chin kangjeigi mahutta meeyamgi thabak toubana chumloidra?

Yes 83% No 17%

অস! লোইরেহে!

- হন্দক্কী টর্মদি কোভিদনা মরম ওইরগা কেন্দ্রগী করিম তৌজখিদ্রে।

- মথং টর্মদা তৌবীরো, সর।

রিটর্নিং ওফিসরশিংগী ত্রেনিং হৌখ্রে

মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন-২০২২গী থৌরাং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিংবু কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৯দা ৰাশক লৌখিবদগী পারগা মথংগী ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল লাক্লিবা মার্চ ১৯, ২০২২গী মমাঙদা পাঙথোক্তবা য়াদবনা মরম ওইরদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা পাউতাক মতুংইন্না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরগী মায়কৈদগীসু মীখল অসিগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না মীখল অসিদা এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর (এ আর ও) শিং ওইনা মথৌ পাঙথোক্কদবা মীওইশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

গো টু হিলসকী মায়োক্তা চখ্থগদবা সেনাপতিগী টোটেল শটদাউন ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না শীন্দুনা ঙরাং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা কন্সলটেটিভ মীটিংনা চীফ মিনিষ্টরগী গো টু হিলস-২.০গী মায়োক্তা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা হয়েং নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা পুং ১২গী টোটেল শটদাউন চখ্থগনি হায়দুনা থৌরাংলম্বদু হোংদোক্লগা হয়েং অয়ূক পুং ৬তগীনা নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা ওইনা চখ্থরগনি হায়রি।

টোটেল শটদাউন চখ্থগদবা মতম নৌহৈননা লোয়ননা গো টু হিলস-২.০গী প্রোগ্রাম অমত্তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা মসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্নসু মপূং ফানা কো-ওপরেসন পীবগা লোয়ননা হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারোইদবনি হায়বা ৰাফমসু খঙহনখ্রে। নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও), অটসুম অমসুং পাওমাই নাগা য়ুনিয়ন (পি এন য়ু) গী মায়কৈদগী ঙসি থোরকখিবা চেরোলশিংগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এস ওশিংনা হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌরকপা এ দি সী বিল, ২০২১বু এসেমব্লিগী অখন্নবা সেসন অমা কৌদুনা খন্নবগা লোয়ননা স্পিকরনা ৰিথদ্রো তৌখিবা ওর্দর অদুগী মরম পীগদবনি হায়বসিনি।

চীং-তম নুংশিনহন্নবা মীখল থেংনখিবনি

ইমুং ৫২গী ভোটরশিং বি জে পি তোক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈরক্লবা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী ফুরুপ-কাঙলূপশিং অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নদা লৈমিন্ননবগী ৰাখল্লোন্দা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০০দা শুগুনু এ সীদা মীখল থেংনদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংজরকখিবনি হায়না এম এল এ কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, শুগুনু এ সীগী অরোইবা সেরৌ খুঙ্গংদা হৌখিবা চহী ১৯৮১দগী হৌদুনা মীয়ামগী অৱা অনা চাওখৎ থৌরাং য়াওনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা অনা লায়েংশঙ, স্কুল, লম্বী থোংনচিংবগী অৱাৎ অপা কয়াদা মীয়ামগা লোয়ননা শরুক য়াদুনা অঙম্বা থাক্তা চহী ২০ চুপ্না মফমশিং অদুগী লুচিংবশিংগা লোয়নদুনা অঙম্বা মতেং খরা তৌজরুবদগী মীয়ামগী থৌগল অমুক্তং তৌজবা ফংলবদি খন্দুনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০০০দা মীখল থেংনদুনা মায় পাক্লকখিবদগী ঙসি ফাওবা এ সী অসিগী লাইগী মশক ওইরবা মীয়াম্না থাজবা থম্বীদুনা টর্ম ৫রক ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

রিমসকী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়াগী লায়েংশঙশিংগী মনুংদা রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসনা ৩৮শুবা রেঙ্কতা লৈরিবসিদগী হেনগৎহন্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নরসি হায়না ইন্সটিটুট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ৫০ রক শুরকপা মপোক কুমওনগী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরমদা দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্সটিটুট অসিগী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, রিমস অসি হৌজিক ইন্দিয়াগী লৈরিবা লায়েংশঙ/ইন্সটিটুটশিংগী মনুংদা লমজেল য়াওবা হৌরক্লবনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনদি রিমসনা মাঙজিল থারি। ইন্সটিটুট অসি কুমজা ১৯৭২দগী লিংখৎলকপদগী লমদম অসিগী হেল্থ ক্যের সেক্টরদা খুমাঙ চাওশিলহন্দুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা অনা-লায়েংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

অপূনবগী শক্তম কায়দনা হোৎনখিনি : ইপসা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ইরমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম কায়দনবগীদমক খুন্নাই অসিদা থোরক্লিবা তোঙান তোঙানবা সোসল ইস্যুশিং সোল্ভ তৌনবা হোৎনবদা ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) না মাঙজিল থাদুনা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি হায়না লূপ অসিগী এদভাইজর ইবোতোম্বী খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা পাঙথোকখিবা ইপসাগী ২৪শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী থৌরমদ অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মহাক্না মখা তানা হায়, ইপসা শাফোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা পোরমলেন অপূনবা লূপ হায়না মমিং থোন্দুনা মীয়ামগী থবক তৌরম্মী। অদুবু মরম খরদগী মপান থোক্না থবক তৌবা য়াদ্দুনা কুমজা ১৯৯৬তগী ইপসা লিংখৎতুনা মসিগী মখাদা ৰাখল মান্নবশিং পূনশিন্দুনা থবক তৌরকখিবনি। লমদম অসিগী তোঙান ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ষ্টেট ফুদ কম্মিসনদা ৰায়েল মখা চখ্থরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এলাংখাংপোকপীদগী হৌজিক্না শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ মমাঙ লৈকায়দা লৈরবা ৰাইখোম সুন্দর (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা দব্লিয়ু কুল্লচন্দ্রনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা মণিপুর ষ্টেট ফুদ কম্মিসনদা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ২ ওফ ২০২০ অদু থা অসিগী ১১দা পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালটনসু লৌখৎতুনা খন্নখ্রবসু কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট অমসুং রেসপোন্দেন্ট অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবদগী নুমিৎ অসিগী লোক অদালটনা মেট্রর অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং পাঙথোক্লবগীদমক ষ্টেট ফুদ কম্মিসনদা অমুক হন্না পীখ্রে হায়রি।

কমপ্লেনেন্ট অসিনা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফুদ কম্মিসনদা ফাইল তৌরকখিবা ৰাকৎ অদুগী রেসপোন্দেন্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

মীওই ২৩১ ফগৎলক্লগা ২৩১ পোজিটিভ ওইখি

ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ৩ লৈখিদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিলগী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ২৩১ থেংনখিবগা লোয়ননা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংসু ২৩১নি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ৩ লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অদু রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ১, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ৩৫ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ১৯৫ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই ২৩১ অসিগী মনুংদা ২২৯না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ১০৫ অমসুং নুপী ১২৪ য়াওরি। অদুগা মীওই ২না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৩২, ...মখা লামায় ৩ কলম ২



মীতৈ ময়েক চাওখৎহন্নবা লুপা ক্রোর ১৮ পীবিনবা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : তিঙ্গং কায়জংদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন সেক্টরবু মাঙজিল থানা পায়খৎকদবনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা হিন্দি দিভস সমারোগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসি ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এদ্যুকেসনল রিসর্ছ এন্দ ত্রেনিং (এস সী ঈ আর টি), হিন্দি টিচরস ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট অমসুং হিন্দি টিচরস ত্রেনিং কোলেজনা পূন্না শীনবনি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, করিগুম্বা হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন সেক্টরদা মায়থীরবদি তুংগী মীরোলগী লাইবক লৈররোই। মরম অদুনা অফবা হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন অসি অমগা অমগা মরী লৈনৈ। ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসন

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা হিন্দি দিৱস সমারো পাঙথোকখ্রে

দিপার্টমেন্টনা খ্বাইদগী এমপ্লোয়ী মশীং য়াম্না লৈবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। অদুম ওইনমক হৌজিক এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা ওজাশিং অমসুং অতৈ ষ্টাফশিংগী অহাঙবা পোষ্টশিং মেনশিনগদবা কয়া লৈরি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসন সেক্টর চাওখৎহন্নবগীদমক স্কুল ফগৎহনসি মিসনননচিংবা হৌদোকখিবসি শিংথানীংঙাই ওইবা খোঙথাংনি হায়খি।

হৌখিবা চহী খরদা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফী পুবা ঙমদবদগী স্কুলশিংদা মহৈ তমদ্রবা মহৈরোয়শিংগী মশীং হেনগৎলম্মী। মসিগী মরমশিংগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংবু থাজদবদগীসু য়াওই। অদুবু হৌজিক্তি গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং মীং চনবগী চাং খঙহৌদনা হেনগৎলক্লে হায়খি।

লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লোলশিং তম্বদা অমাঙবা করিসু লৈতে হায়রদুনা হিন্দি লোলবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মণিপুরী লোল অমসুং ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা লোলশিংবুসু চাওখৎনবা হোৎনরি। এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রীদা মণিপুরী অমসুং মীতৈ ময়েকপু চাওখৎহন্ননবগীদমক লুপা ক্রোর ১৮ পীবিরক্লবা হায়জখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টর রাজেননা হিন্দি টিচরস ত্রেনিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / ‘হুইয়েন লানপাউ’ না খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা হান্নদগী টিদ্দিম লম্বীগী কৈশাম্পাৎতা লৈরকপা পাউচে অসিগী মতম খরা থোঙ হাংলুদ্রবা ওফিস অদু অমুক হন্না হাংদোকচরে।

মরম অসিনা মীয়াম্না পাউচে অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগীদমক ওফিস অসিদা লাকপীবগা লোয়ননা প্রেস রিলিজ, ইনভাইটেসন অমদি এদভর্টিজমেন্টশিং ওফিস অসিদা পীবিরনবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা : হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স